# করম্না অসুক থুনা কোভিদ লাইচৎপু লাকশিনবা, ২৮দা হন্থরক্লে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

হন্থরক্লিবা মশীং অসি শিবগী মশীং নত্তে, লাইচৎ অসিনা নৌনা পল্লকপগী মশীংনি (new positive confirm cases on July 13). শিবগী মশীংনা ৬তা হন্থরক্লে। করিগুম্বা নুমিত্তদি কোভিদ লাইচৎতগী শিবগী চাংসি য়াম্না নেম্না শিবসু য়াওরে। নহান জুলাই ১২দদি শুপ্নগী মীওই অমখক শিখিবনি। হোয়, নোংমা খরা অমুক হেনগৎপা খরা অমুক হন্থবা অসিদি মহৌশানি। অদুম ওইনমক শিবগী চাংসি সুম সুম হন্থরক্লি।

টাইৱানগী কোভিদ থেংনবসি সেন্ত্রেল লৈঙাক্না চেকশিনহৌদবা, য়াম্না কা হেন্না থাজবা থম্লুবা অদুগা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিং লৌখৎহৌদবনা মরম ওইদুনা লাইচৎ অসি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারীদা শন্দোকপা হৌরকপদগী শুপ্নগী মীওই ১৩ খক শিখিবা অদুদগী হন্দক্কী অনীশুবা কোভিদ লাইচৎ অসিদা মীওই ৭৪৭ হেনগৎখিবনি থা অনীমুকসিগী মনুংসিদা। অদুগা কোভিদ লাইচৎ অসি পকখিবগী মশীংসু শুপ্নগী ১,২০০গী মখাদা লৈরম্বা অদুনা ঙসিদি মীওই ১৫,৩০২ য়ৌরে।

অনীশুবা কোভিদ লাইচৎনা কন্না শন্দোরকপা হৌরকপদা মে থাগী থাখায় অদুৱাইদগী ঙসি জুলাই থাগী থাখায় য়ৌশিল্লকপা, হায়বদি চয়োল ৭/৮ অসিগী মনুংদা লোকল লৈঙাকশিং অসিনা অকনবা চেকশিন খোঙথাং লৌখৎতুনা মমাঙ থাদা নোংমদা লাইচৎ অসি শন্দোকপা ৫৪৩ ফাওবা য়ৌরম্বা অদুনা ঙসিদি শুপ্নগী ২৮দা হন্থরকপা ঙল্লে। মতৌ করম্না টাইৱানগী লোকল লৈঙাকশিং অসিনা লাইচৎ অসিনা মীওই ৫৪৩ য়ৌনা শন্দোরক্লম্বা অদুদগী চয়োল ৭/৮ সিদা শুপ্নগী ২৮দা হন্থরকপা ঙমহনবনো অদুগা শিবসু নোংমদা ২৯ য়ৌরম্বা অদুনা ঙসিদি তরাগী মখাদা হন্থরে। মতৌ করম্না লাকশিনবনো হায়বদো ইরৈচাশিংদা শল্লপ্না থমজগে।

অহানবদা, লাইচৎ অসিনা কন্না শন্দোকপা হৌরকপদা মহৈশঙ খুদিংমক্তা ক্লাস লৌদুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বীবগী চৎনবীদু থিংজিনখি। মদুগী মহুত্তা ওজাশিংনা গুগল মীট, গুগল ক্লাসরুমনচিংবা এপ্লিকেসনশিং শীজিন্নদুনা ওনলাইন ক্লাসতা তম্বীখি। মসিনা ওজা অমদি মহৈরোয়শিংদা লাইচৎ অসিনা শন্দোকপদগী ঙাকথোকপা ঙমখি লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা নোংমতসু মহৈ তম্বা মাঙখিবা লৈতনা মহৈ মশীন তম্বা ফংজখি। চুম্নগী টেক্সবুককী ওইবা মহৈ তম্বতা নত্তনা শান্ন-খোৎনবগী মহৈ ফাওবা অয়াম্বনা লেপখিদে। ইচানুপী বেমবেমনা শান্নরোয়-মহৈরোয় অমা ওইনা মহাক্কী ৱুশু ক্লাসসু ওনলাইন্দা তৌদুনা য়ুমগী কাদা ঐখোয় কম্যুনিতি বিল্ডিংগী য়ুমথক্তা (terrace) তা প্রেক্টিস তৌদুনা মখোয়গী কোচতা উহল্লি ওনলাইন্দা লোয়ননা ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা থাই। ঙসিদি টাইৱান পূম্বদা কালেন ছুটি থারে অদুনা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী অৱাবদুমা লৈত্রে।

অনীশুবদা, টাইৱান্দা লোকদাউন থমদে, হান্নসু থম্লক্তে। কুমজা ২০০৩দা সারসকী লাইচৎ লাকখিবা অদুদসু লোকদাউন লৈখিদে অদুগা মমাঙ চহী অমদি হন্দক চহী সিদসু টাইৱান্দা লোকদাউন শুংথম থমদে। লোকদাউন থমদ্রগসু লোকল লৈঙাকশিংনা মফম অদুগী চান্ন-চান্নবা য়েংদুনা মীয়ামদা করি তৌবা য়াই-য়াদে হায়বদু য়াম্না চেকশিন্না ময়েক শেংনা থম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা, মী অনীদগী হেন্না পূন্দবা, কৈথেলদা পোৎচৈ লৈবা থোকপসি চয়োল অমদা অনীরক/অহুম্লক্তগী হেন্দনা লৈবা থোকপা, য়ূমদগী হেক থোকখিবদা মাস্ক শীজিন্নবা, হেন্দ সেনিটাইজরশিং শীজিন্নবা। হেন্দ সেনিটাইজরসিদি মফম খুদিংমক্তা লোইনা থম্নে। অদুগা মখোয় মখোয়না চঙলুরিবা মফমশিং অদুদা মোবাইল নম্বর নৎত্রগা ক্যু আর কোদ পীরমগদবনি।

অহুমশুবদা, জিম, পার্ক, স্পোর্টস ওদিটোরিয়ম, শান্নবুং খুদিংমক থোঙ লোল্লি। করিগুম্বা হাংলম্বা নৎত্রগা শান্নরোয়শিংনা চঙদুনা শান্নরম্বা থোক্লবদি ফাইন য়াম্না চাওনা লৌই লৈঙাক্না। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্না জুলাই ১২দগী মফম খুদিংমক হাংবা য়ারে হায়খিবা লৈরগসু লোকল লৈঙাকশিংনদি মখোয় মখোয়গী মফমশিং অদু য়েংদুনা হাংনদ্রি।

মরিশুবদা, রেষ্টুরেন্ট খুদিংমক হাংবদি য়াই অদুবু মনুংদা ফমদুনা চাবদি য়াদে মী হেন্না পুল্লক্কদবা লৈবনা। মখোয় মখোয়না চানীংবা মথেলশিং অদু লৈদুনা ময়ূম ময়ূমদা চারুগদবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইমুং কয়া অমদি য়ারিবমখৈ মপাল থোক্তবীদা রেষ্টুরেন্টশিং অসিদগী ফোন তৌদুনা লৈরগা Uber eat, Food Panda নচিংবা কেরিয়র সর্ভিসিং অসিগী মতেং লৌদুনা লৈদুনা চানৈ। অসিগুম্বা লোকদাউন তৌবীদবগী পোলিসি অসিনা মীয়াম্নসু চানীংবা চাবা ফংহল্লে, থবক শুদুনা শেল তানবা ঙমহল্লি, লল্লোল ইতিক তৌজরিবশিংসু শেল খরদি তানবা ঙমহল্লে লোয়ননা লাইচৎ অসিবু থিংবদসু মতেং ওইরে।

মঙাশুবদা, করিগুম্বা ওফিসতা, হোস্পিটালদা, দিপার্টমেন্ট ষ্টোরনচিংবা মফমদা চঙবদা বোদি টেম্পরেচর চ্যেক তৌদুনা চঙদবা য়াদে। মফম খুদিংমক্তা হকচাংগী অইং অশা য়েংই forehead thermometer নৎত্রগা infrared thermal camera শীজিন্নদুনা।

অদুগা তরুকশুবদা, পব্লিক ত্রান্সপোর্টেসন শীজিন্নবদা মাস্ক উপ্তুবা মীওইদি চঙহন্দে। করিগুম্বা মাস্ক য়াওনা য়াওনা উপ্তুবা থোক্লবদি ফাইন লুপা লিশীং ৬তগীনা লিশীং ৩০ ফাওবা লৌই। আইন ইন্দবগী চৈরাকসি য়াম্না ৱাংবসিনা মীয়াম্না মশা মশানা হায়নবা লৈতনা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা চৎনৈ।

মতৌ অসুম্না লোকদাউনসু তৌদবী, মীয়ামসু চখোক চৎশিন য়াহনবা, ওফিস থোঙ লোন্দবা, থবক শুবা য়াহনবা অদুগা লাইচৎসু থিংবা ঙম্নবা হোৎনবা অসিগুম্বা পোলিসি অসি থম্বনা মীয়াম্নসু, লোকল লৈঙাক্লসু মশা মশাগী মথৌ পাঙথোক্তুনা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা থল্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা চৎনৈ।

অদুবু অৱাবদি, লাইবক থীবদি ইরমদম কংলৈপাক্তদি লোকদাউনসু তৌদুনা থবক ইনখাং শুদুনা শেন্দানবসু অমত্তা য়াহন্দ্রে, সেন্টরদগী লুপা কোটি-কোটিসু থাদরকই লাইচৎ অসিবু থেংননবা অমদি মীয়ামগী চিঞ্জাক পীনবা অদুবু চিঞ্জাকশিংসু মরম চুম্না, মতম চানা, মশীং শুনা পীবিদে। টাইৱান্দা অনীশুবা লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌদ্রিঙৈদগী চেকশিন খোঙথাং থাংবসু হৌখ্রবনি অদুবু লাইচৎ অসি শন্দোকপা হন্থরকপগী মহুত্তা হেন্না হেন্নদুম মশীং য়াম্না শন্দোরক্লি লোয়ননা শিবগী চাংসু ইহন হন্থদ্রি মসিনা তাকপদি মীদিয়াদা লৈঙাক্না অফবা ময়াম হায়রিবা অসিগা গ্রাউন্দদা ওইরিবা ফীভম অসিগা তায়োন্নরে, খেন্নরে, অশোয়বা য়াম্না লৈরে হায়বনি। সেন্ত্রেল লৈঙাক্তগী লুপা কোটি কোটি কায়থরকই অদুবু কোটি কয়ানা নিংথিনা লাইচৎ অসি থিংনবা অমদি মীয়াম্বু থাক্লবা হোৎনরিবা অদুগা কোটি কয়া অমনা মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি অচৌ অশাংশিং অসিগী ফুরিৎখাওদা চঙখ্রবা হায়বদুসু খঙদ্রে। করিগুম্বা মদু থিজিন্দুনা কনাগুম্বা অমনা পুথোক্লুরসু ইন্দিয়ন দেমোক্রেসিগী এন এস এ পানশিন্দুনা জেলদা থমজিনগনি। লুরি ইন্দিয়া অমদি ইরমদম কংলৈপাক্কী মীচম মীয়াম্না হিংগদবা পুন্সিসে। ●

# জুন থানা লাকপদা-৩

- ডা. এম নরা -

ন্যুক্লিয়র লাঞ্জাওগী মায়োক্তা হৌখিবা শান্তিগী ঈহৌ অমসুং প্রাক্কী মীফম য়াওরুবগী অরোইবা ঐখোয় ইন্দিয়ন দেলিগেসনগী খোঙচৎ অদু উজবেকিষ্টানগী কোনুং তাসকেন্তা লোইশিনখি। জুলাই ৬ অমসুং ৭তা তাসকেন্তা লৈবগী তাঞ্জাসিদা অমুক অনৌবা প্রোপোজেল অমা অখঙ অহৈ খরদগী লাকখি। মদুদি লৈবাকসিগী অরিবা কোনুং সমরখন্দা অরোইবা নুমিৎতুদা চৎসি। ঐখোয়না অমুক হন্না মফম অসিদা লাক্তুনা সমরখন্দ য়েংবা করিসু ওইথোক্লোই। ঐখোয় পূম্নমক প্রোপোজেলসি য়ানীংদুনা খূবাক খুবা হৌরুরে। অদুবু অরাইবা ৱাফমদি নত্তে। মরমদি অয়ূক্তা প্লেন্না চৎলগা নুমিদাংৱাইদা অমুক হল্লক্কদবনি। লাইবক য়েংলসি হায়দুনা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা সোভিয়েটকী লুচিংবশিংদা রিক্বেষ্ট অমা তৌরুরে।

নুমিদাংগী চাকলেন চাবা মতমদা ঐখোয়গী লুচিংবা পেরিন রমেশচন্দ্রনা নুংঙাইবা পাউ অমা লৈরে হায়দুনা ময়ামদা খঙহনবীরকই। মদুদি হয়েং অয়ূক পুং তরেৎতা ব্রেকফাষ্ট চাগনি অদুগা ঐখোয় পূম্নমক এয়রপোর্টতা প্রোসিদ তৌরগনি। ঙরাং ঐখোয়না হায়জখিবা সমরখন্দ য়েংবা চৎপগী প্রোগ্রাম অদু সোভিয়েট লৈঙাক্না য়াবীরে। প্লেন অমা রিজার্ভ তৌদুনা লৈরে, হয়েং অয়ূক পুং ৯.৩০দা পাইগনি অদুগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা তাসকেন্তা অমুক হল্লক্কনি। ময়াম পূম্নমক হরাওনৈ, চাক চাবা লোইশিনবা মতম য়ৌরে, অয়াম্বা মখোয় মখোয়গী কাদা চঙনখ্রে। ঐখোয় খরা চাওরবা হোটেল উজবেকিষ্টান অসিগী মপান থোরক্তুনা অকোয়বগী ফজবা য়েংলগা ৱারী শানদুনা লৈরিঙৌদা রাজস্থানগী দেলিগেট মরি হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রি, চাক চাবা মতমসু লোইশিনখ্রে, হয়েং অয়ূক অঙনবগী সমরখন্দ চৎপগী প্রোগ্রামসু মখোয়দি খঙখিদ্রি, লোন ফাওনবসু নত্তে, পুলিসতা পাউ পীগদ্রা হায়না মরাং মরাং তৌনরক্লে। ঙাইহাক্তদি য়েংখিসি হায়দুনা ঐখোয় মশেল অসুম ৱারী শানরিঙৌদা টেক্সি অমদগী মী মরি কুমথরকপা উরে লোয়ননা ঐখোয়গী দেলিগেটশিংদুনি হায়বা খঙলে। মখোয় মরিসিদি ওন্থোক্না মোন্দা নুংঙাইনা নোক-খেদুনা লাকই। ঐখোয়গী মরক্তগী অমনা হংই। করিগীনো শুক থেংইবা, পুং ১১ তাগদৌরে, চাক চানবগী মতমসু লোইশিনখ্রে, কদায়দা চৎলুরিনো? খোঙনা অসুম ৱাকিং চৎপনি, নুংঙাইমন্দুনা য়াম্না শাংনা পংচৎ চৎলুরে। সোরোক মপান্দা লৈরম্বা রেষ্টুরেন্ট অমদা চঙদুনা করিনো অমা চারুসি হায়দুনা চঙলুবদা হান্না লৈরম্বা লোকেলমেন খরনা তরাম্না ঐখোয়বু ওকই অদুগা ঐখোয় ইন্দিয়াদগী লাকপনি হায়বা খঙবদগী অমুক্কা হেন্না লুনা তৌদুনা চাগা থকমিন্নরম্বদগী রসিয়ান ভোদকা (য়ু মখল অমনি) ওর্দর তৌদুনা ঐখোয়সি পুরা নুংঙাইমিন্নরুরে। নখোয় ইন্দিয়ানশিংদি ঐখোয়গী মরুপনিনে হায়রকই। অদুগা চাবা থকপগী বিল পূম্নমক মখোয়না লোইনা পীথোকখি। টেক্সি অমা ফীবরগা ঐখোয়গী হোটেল উজবেকিষ্টান্দা থিলহনবীরক্লিবা অসিনি। টেক্সি ভারাসু লৌ হায়বা য়াদ্রে অদুগা ড্রাইভরদুনা দসবিদ্যানিয়া দসবিদ্যানিয়া হায়দুনা মখূৎ থাঙ্গৎলম্লগা চৎখ্রে। পূক্নিংদা ইতোমতা হংজৈ - "মসিবু মরুপ মপাং ওইবগী অশেংবা নুংশিনবা হায়বদু নত্তবরা?"

নোংঙাল্লে, অয়ূক্কী পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা ব্রেকফাষ্ট চাবা লোইনরদুনা এয়রপোর্টতা চৎনবা বস তোং-খৎনরে, পুং ৯.৩০ চপ চানা প্লেন পাইরে, মিনট ৪০গী মনুংদা সমরখন্দ এয়রপোর্টতা থুংলে। মতম য়াম্না লিক্না শীজিন্নৈ, মরমদি য়ামদ্রবদা নুমিৎ নীনি চঙনা য়েংগদবা সমরখন্দ সহর অদু পুং খরদংগী মনুংদা য়েংনবা হোৎনবা হায়বসিমক অরাইবা থৌশিল অমা ওইরমদে। পুৱারীদা ঐখোয় রোমান সিভিলাইজেসন খঙনরে, চহী লিশীং কয়াগী খুমাঙ চাওশিল্লবা অমদি নিংথিনা শেমগৎ-শাগৎলবা রোম সহর। মদুগা চাংদম্নদুনা মখোয়না সমরখন্দ অসিবু নোংপোক্কী রোমনি হায়না শিংথানৈ। চহী ২,৫০০ হেল্লক্লবা অরিবা সহরনি লোয়ননা ইস্লাম ধর্ম্মগীসু য়াম্না মরু ওইরবা সেন্টর অমনি। মফম অসিদা অনীরক লাকপা ঙম্লবদি মেকাদা চৎপগা মান্নে হায়না লৌনদুনা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ধর্ম্মগী খোঙচৎ য়াম্না তোয়না সরমখন্দা লাক্লে। মরমদি প্রোফেট মহমদকী য়াম্না নক্লবা কজিন, প্রোফেট কুসুমইবন-অবাস অমসুং মমিং লৈরবা প্রোফেট ১৪গী মোংফম (কর্বস্থান) মফমসিদা লৈ।

অরিবা ওবজার্ভেটরি, নুমিৎ, থা-থৱান্নীচাক অমদি পৃথিবীগী খোঙচৎ নৈনবগী মতমদু ফাওবদা লৈরবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অমসুং মদু শীজিন্নবগী মওং লোয়ননা লিরবা সমরখন্দ য়ুনিভর্সিটি য়েংহল্লকখি। ঐখোয় দেলিগেট ২০০ মুক্কী টিম অসি অচৌবা গ্রুপ অমনি, টুরিষ্ট বস মঙা মঙানি চখোক চৎশিন্দা দরকার ওইরিবসি। মসিগী মথক্তা লৈফম-চাফম, ত্রেন অমদি প্লেনগী খোঙচৎ পূন্না নুমিৎ ১২নি চুপ্না হায়বদি জুন ২৭তগী জুলাই ৮ ন্যু দেল্লীদা য়ৌরকপা ফাওবগী কমপ্লিট ত্রেভেল প্লান অসি সোভিয়েট ইন্দিয়ন ফ্রেন্দসিপ সোসাইটিনা শিনবীখিবনি।

হান্নসু হায়জখ্রে সমরখন্দ উজবেকিষ্টানগী অরিবা কোনুংনি। মমৈথংদা তাসকেন্তা হোংলকখিবনি। ১০শুবা শদাব্দিগী নিংথৌরেল টমালিনগী কোনুং রেজিস্থান স্কোয়ার য়েংলকখি। কোনুংনি লোয়ননা ধর্ম্মগী লাইনীং লাইশোন অমদি সোসিও-কলচরেল এক্টিভিটি পূম্নমক তৌফমনি। য়াম্না নুংঙাইবা অমদি মফমসিদা তাজমহলগুম্না নিংথিনা শাখিবা মসজিদ অমা লৈ। মসিগী মমিং বিবি কান্যিম মসজিদ কৌই। অরাকপা মীপূম খুদিংগী মীৎয়েং তাফমনি। ঐখোয়না চৎপা মতমদুদা মসজিদ অসি রিপিয়ার তৌবা তাঞ্জা ওইবনা ভিজিটর অমত্তা চঙহল্লমদে। অদুবু সোভিয়েট ইন্দিয়ান ফ্রেন্দসিপকী মরু ওইবদু য়েংবীরগা লৈঙাক্না অয়াবা পীবিদুনা ঐখোয় পূম্নমক লোইনা মনুংদা চঙদুনা য়েংবা ফংলকখি। রিপিয়ার তৌবদু ইচম চম্না রং-পং খরা অমুক হন্না তৈবদনি হায়বা য়াদে, অঙকপনি! অরিবা ইস্লাম ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং ত্রেদিসনশিং অমত্তা মাঙহন্দনা হান্নগী ওরিজিনেল ওইবা শক্তম মচেৎ অমফাওবা মাঙহনবা য়াদে হায়দুনা সনা কিলো ৪৫০ ফুংলগা তৌরল্লিবা পেন্টিং য়েংবদা পেঞ্জে, হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী প্রোগ্রেস অমনি। নিংথৌরেল তমালিনগী নুংশিনা লোয়নবী রানিদো পুন্সি তেনখি, নীংঙমদবা মৈচাক্না লোয়ননা মহাক্কী মমিংদা বিবি কান্যিম মসজিদ অসি শাখিবনি হায়। অসুম্না য়েংলিঙৌদা মতম হৌখিবা খঙহৌদে, পুং অমা মখায় তাশিল্লক্লে, চাক লাম্লবা ফাওনরক্লে। ওর্গনাইজরশিং ফজনা জ্ঞান তানা মতম চানা শিল্লিবনি। চাক চাফমদু মখোয়গী লৈজবী থাক্তা অহল লমন ত্রেদিসনেল ষ্টাইলদা ঐখোয় ময়ামগা পূন্না চামিন্ননবা ঙাইরমই। মী মরি মরিগী ফম্ফম টেবল অমসুং চৌক্রি থাদুনা শিল্লি লোয়ননা চাক তোক্লগা ঙাইহাক চনিং তানা পোথানবা মোন্দুম মোন্তেক থারবা ফজরবা মফম তোঙান্না শিন্দুনা লৈ। মফমদুদি থায়নগী ঐখোয়গীদসু চৎনবী ওইনা লৈরম্বা হিদাকফু অচৌবা পীথ্রাইনা শাবা তোংজৈ পানবা কয়া খিন খিন্দুনা থল্লমই। চান্নবা হীদাক থকপা য়াওরসু থক্লবা শেল্লগা থল্লম্বনি। অদুবু ঐখোয়গী ইরক্তগীদি কনামতা য়াওরমদ্রে, মখোয়গী অহলশিংনা থকপদমক উরকখি। অসুম্না হান্না শিনবা নত্তবা, খুদক্কী ওইনা তাঞ্জা ফংদুনা শেল্লকপা প্রোগ্রাম অমা ওইনা সমরখন্দ য়েংলবা মতুংদা ঐখোয় তাসকেন্তা অমুক হন্নবা মতম য়ৌরক্তুনা এয়রপোর্ট তান্না লাক্লে। সমরখন্দগী ওথোরিটি অমসুং ঐখোয়বু শেন্নবীবা মরুপ মপাংশিংবু বিদায় তৌরগা ঐখোয় তাসকেন্ত পাংলকখি অমসুং নুমিদাংৱাই পুং ৭ তাবদা ঐখোয়গী হোটেল উজবেকিষ্টান্দা থুংলখি।

খোঙচৎ অদুগী অরোইবা অহিংনি, নুমিদাংগী চাক্লেন মমাঙদা ময়াম পূন্না রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখি। অনৌবা এক্সপরিয়েন্স কয়াগা লোয়ননা মায় পাক্লবা খোঙচৎ অমনি হায়না ঐখোয় পূম্নমক্না য়ানখি। ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এ আই পি এস ও) ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং শিন থুংনা শাগৎপা অমসুং ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিল মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ৱারেপমিন্নখি। মসিমসু য়ানখি ঐখোয় পূম্নমক্কী থম্মোয়দা মদুদি লৈবাক অমখক্তনা মরোমদোম মালেমদা শান্তি থম্বা ঙম্লোই, পূন্না হোৎনমিন্নরবা মতমদতা ওইথোক্কদবনি। মরম অদুনা নেসনেলিজম খক্তনা লোইবা য়ারোই ইন্টরনেসনেলিজম শাগৎকদবনি। "Peace is a concern of each one of us, no one individual nor one country by itself can, but united together. We can build up a Peaceful world where there is equality, fraternity and social justice free from hunger and expolitation".

অনৌবা আশা অমসুং নুংঙাইরবা মঙলান কয়াগা লোয়ননা Praque কী World Assembly for Peace and Life against Nuclear War গী খোঙচৎ তাসকেন্তা লোইশিনখি। মথংগী অয়ূক পুং ১১ তাবদা ন্যু দেল্লীদা ঐখোয় পূম্নমক থুংলখি। মণিপুরগী মফম কয়াদা ঐখোয়বু ওকপীবগী থৌরম পাঙথোকপীখি। অসুম্না পীছ এদ্যুকেসন খরা শন্দোকচবা ঙমখি। তশেংনা স্কুল অমসুং কোলেজগীদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটিগী সেলেবসতা পীছ এদ্যুকেসন অসি য়াওহনসি হায়বা ৱাফম থমজরি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি সমরখন্দগী নোংমখক্কী খোঙচৎতু তশেংনা অপান্ননা শিল্লুবা নৎত্রগসু তাঙনা ফংবা খুদোংচাবা থৌদোক অমা ওইখিবা তৎতনা নীংশিংই ঐগী ৱাখলদগী লাপথোকখিদে। ৱাহৈনা শক্তম অমা শাগৎচৈ, মুর্ত্তি ওইনা শেমজিল্লে, মিৎয়েংগী মাঙদা খিল্লরে; অমুক্তং মিৎয়েং তবীয়ু :-

সমরখন্দ!
অরিবা সনা কোনুংনি উজবেকিষ্টানগী,
ময়ায় থংবা এসিয়াগী শরুকনি,
সভ্যাতাগী য়াঙল খোঙজেন্দা
শরুক য়ারিবা লমদমনি।
নোংপোক্কী রোম কৌনবা
(Rome of the East)
চহী কুম্মজা য়াল্লবা
কুম্মওন লিশীং কয়া হেল্লবা,
অনীশুবা মেকানি শোন্নবা;
ইস্লাম ধর্ম্মগী তির্থনি।
লির মতমগী ওবজার্ভেটরি,
অহিংবা ম্যুজিয়ম ওইরিবা
বিজ্ঞানগী মশক তাক্লম্বা
মীওইপোক্কী খুদোলনি,
প্রোফেট মহমদকী তুংইনবা
য়েংকী পাম্বোম ওইরম্বা
'কুসুম-ইবন-অবাস" 'মদি
শক্লইর তরামরিগী কবর্স্থন

মফমসিদা লৈরিদো, মিৎয়েং তাফম ওইরিদো।
তরাশুবা শদাব্দী লোইরমদাই,
শক্তি লৈরবা নিংথৌরেল, তমালিন!
কোনুংসিদা পানখিদো;
মহাক্কী থৱায় ওইরিবী লুনা চান্না থমজবী,
শকহেল্লবী রানিদো বিধাতাগী নোংদম্না
নৌনা পুন্সি লোমখিদো, খাঙুথক্তা কেমখিদো।
নুংশি মৈচাক্না ঙাওরবা
পোথাফম খঙদ্রবা নিংথৌরেল
মৈচাক্তু খাঙনবা চাওর মসজিদ 'মা লিংখৎলে,
মতিক মগুন হাপকৎলে,
মমিং চৎলবা মসজিদসে,
"বিবি কান্যিম মসজিদনি"
সমরখন্দগী তম্ফানি।
ময়েক শেংল নুংশি খুদোলসে
মুৎনাইদনা থল্লিদো, চেকশিন্নবু শেন্নরি,
য়ুগ কয়া পুন্সিসনু, লোম্বা নাইদনা লৈসনু
তাইবঙ মীওইবনা য়েংননবা;
ৱারী ওইনা লিন্নহৌনবা। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## মীওই খূৎপু অমা থোক্লক্তুনা ঈরাং থোক্লবা শীল্লে: সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস):

য়ু এস এনা মতম শাংনা ক্যুবাগী মথক্তা শেল-থুমগী অথিংবা থল্লিবা কয়া অসিগী মরুমদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস এনা শৌগৎপা মীওই খূৎপু অমা থোক্লক্তুনা ঈরাং থোক্লবা শীল্লে। মালেমগী শাথিরবা পেন্দমিক ওইরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা হায়রিবা খূৎপু অদুনা ক্যুবাগী কম্যুনিষ্ট লৈঙাকপু মরা চেৎতনবা চঙশিল্লকখিবা থৌওং অসি এল সোতিনকুমার ষ্টেট সেক্রেটরি, সী পি আই, মণিপুরনা কন্দেম তৌরি। মসি য়ু এসকী ইম্পরিএলিজমগী লৈঙাক্না লৈবাক মনুংগী থৌশীলবু খূৎ থিংজিনবনি লৌই হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শাংলবা চহী ৬০ হেন্না মরা তপ্না মীয়াম্বু চাকথুং ফিথুং মান্ননা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা লৈবাক অমবু য়ু এস লৈঙাক্কী ফৎত্রবা মীওইবগী লমচৎ নত্তবা ক্রিমিনেল ওইবা থৌরাংনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম্বু হেন্না হেন্না অৱাফমদা তাহন্নবা শীনবা লাল্লোংনি। মালেমগী পেন্দমিক ওইরবা অৱাবা তারবা ফিভম অসিদা হেলমস- বুরতন কৌবা এক্ট অমনা অমুক্কা হেন্না অথিংবা থম্লবা শীল্লি। ক্যুবাদা ষ্টেট মশানা টেরোরিজম থোকহন্নবা শীল্লি হায়দুনা দোনাল্ড ট্রম্পকী মতমদগী লৈঙাক্না অহেনবা অথিংবা ২৪৩ থমজিন্দুনা হৌজিক ফাওবা লাক্লি।

মসিনা মরম ওইদুনা চীঞ্জাক রো মেটেরিএল অমসুং হীদাক লাংথক, ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইহন্নবা শীল্লি। সোসল মেদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা ক্যুবা লৈঙাক্কী মথক্তা খেঙজং চঙশিন্নবা শীন্দুনা লাক্লি।

মসিনা মরম ওইদুনা চীঞ্জাক্কী রো মেটেরিএল অমসুং হীদাক লাংথক, ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইহন্নবা শীল্লি। সোসল মেদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা ক্যুবা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা শীন্দুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা কয়া অসি থেংনদুনসু ক্যুবা লৈঙাক্না মশাগী ভেক্সিন পুথোক্তুনা পেন্দমিক অসিবু লাম্থেংননবা হোৎনবদা মতেং পাংদুনা লাক্লি অমসুং শেল-থুমগী অথিংবা কয়া অদুবুসু নমখায়দুনা চৎলি। লৈবাক অসিনা ৱানা হোৎনজদুনা থেংনবা য়াবা কয়া থেংনদুনা লাক্লিবা অসিগীদমক সোলিদরিটি পীজরি অমসুং ক্যুবা মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়দুনা সী পি আই, মণিপুরনা পাউজেল পীজরি হায়রি।

## মোহন ভগৱতকী 'পীছ স্পীচ' তা ফজবা শীজিন্নরবসু আর এস এসকী এক্সনগা তাইওন্নহল্লে: পি এফ আই

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস):

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল একজিক্যুটিভ কাওন্সিলনা তাখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না আর এস এসকী চীফ মোহন ভগৱতনা ৱাহৈ ফজনা শেম-শাদুনা মুসলিম কম্যুনিটিগীদমক্তা ঙাঙলবসু আর এস এসনা মদুদা নাচুংবা লৈতে। গাজিয়াবাদতা মুসলিম রাষ্ট্রিয়া মঞ্চকী প্রোগ্রাম অমদা ভগৱতনা হায়খি, হিন্দু অমনা করিগুম্বদা মুসলিম অমতা মফম অসিদ লৈবা য়ারোই হায়রবদি, হায়রিবা মীওই অদু হিন্দু নত্তে হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবা সোসিও পোলিটিকেলগী ফিভম অমদি অশেংবা ওইনা থেংনরিবা অদুদগী নাথৈনবা হোৎনবনি। কম্যুনেল ফেসিষ্টকী এজেন্দা অসিদি সঙ্ঘ পরিবার অমদি মোহন ভগৱত মশামক্না মতম চুপ্পদা পায়খৎতুনা লৈরিবা থবক্লি। আর এস এসকী থবকশিং অসি মমাঙদসু পাঙথোকখি। হৌজিক হৌজিকমকসু ভগৱতনা হায়রিবদুগী মায়োক্তা পাঙথোক্লি হায়রি।

প্লেটফোর্মদনা চিনবানদা খোহি তৈবা ৱাঙাঙ অদুগা থবক ওইনদি মুসলিমগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা এক্সন চথরি। অনৌবা মওংগী লোন দা 'লিবরেল ইনক্লুসিভ লেঙ্গুএজ' অসিদি থৌওং-থৌশিল হোংহন্নবা নত্তে, মপান্থোঙদা নেসনলগী অমদি ইন্টরনেসনলগী ওইনা মখোয়দা মীৎয়েং কন্না য়েংলক্তনবনি। বি জে পিনা সাশন তৌবা ষ্টেটশিংদা আর এস এস অমদি বি জে পিনা মুসলমানশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথখিদে। মখোয়দা লোগী ওইবা খুরৌ চেনগদবা লাক্লবদি সঙ্ঘপরিৱারগী লীদরশিংনা মুসলিম মচা হাৎলু হায়না ফোঙনা লাউথোকপা ঙম্মী। মদুনা মখোয়দা রাজনিতিগী ওইবদা কান্নবা ফংহনবা ঙম্নবা হোৎনরি। মুসলিমশিংগী মথক্তা য়েংশিন্নবা নাজিশিংনা তৌখিবা অদুগুম্না লো শীজিন্নরি।

অতোপ্পা ৱারেপ অমদা পল্লিবা ৱাফম অমনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাকশিংদা পোপ্যুলর ফ্রন্টনা হংলিবা ৱাফমদি ইস্লাম ধর্ম্মগী লম্দা খূৎ থিংজিন্দুনা মুসলিমশিংগী মথক্তা হিংশাগী থবক হেনগৎলক্লি। মীচম প্রজাশিং মীওৎ-মীনৈ চথরি। বীচার তৌদনা মুসলমানশিংবু হাৎপগী থবক চথরি। তোকঙা শন্দোকপা হেনগৎলক্লি। তুক্কৎচনিংঙাই ওইবা ৱাহৈ শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি, কম্যুনিটি অসিগী মীওইশিংদা এটেক তৌবা হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা মখলগী এন ঈ সিগী মীৎয়েংদদি মাইনোরিটিশিংগী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌরিবা অসিমক শেন্মীৎলোন অমদি ময়ামগী হেল্থকী ক্রাইসিসনা লৈবাক অসিবু তংদু লৈতাহনবা ঙমদ্রে। মীওই লিশিং কয়াগী মথক্তা মীশি-মীনা থোকহনখ্রে। চাদ-থক্তবগী মশিং হেনগৎহল্লি অমদি থবক ফংদবগী মশিংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। খূদিংমকসে মোদিগী অশিন-অরাং হৈতবা, লৈঙাক্লোন শোয়রকপদগীনি। মোদিগী মরুপ-মপাংশিংদসু শোয়রিবশিং অসিগীদমক তায়নরম্মী। অতোপ্পা ৱাহৈ হায়বা তারগদি, মোদিগী লৈঙাক সাশন শোয়রে হায়বসে মশানা য়াজরে।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগী খুজিল-থৌরাংদগী অনৌবা কো-ওপরেসন মিনিষ্ট্রি অসিমক লৌনমগী থৌওং য়াওরি। গুজরাত কো-ওপরেটিভ সোসাইটি পূম্নমক আর এস এসকী খুবামনুংদা থল্লগা মখোয়না চল্লাইরি। মসিগুম্বা থৌওং অসি ইন্দিয়া পূম্বদা চল্লাইদুনা সেফ্রোনাইজেসনগী থবক চথৈ। মসিনা বি জে পিগী ওইনা চাউনা য়েংহোক্লগদৌরি।

অতোপ্পা ৱারেপ অমদা- ফাদর ষ্টান স্বামিনা কৈশুম শঙদ লৈনা লৈনা পুন্সি পীখম্নখিবদা এন ঈ সীনা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ঐখোয়না মহাক্কী মফমদা খ্বাইদগী থৱায় য়াওনা ত্রিব্যুট পীনিংলিবসিসু মহাক্না দ্রাকোনিয়ন লো পূম্নমক শেমদোক্তুনা হ্যুমেন রাইটসকীদমক লৌরম্বা থৌদাংগীদক্লি। মহাক্না থারম্বা য়ু এ পি এগী সেক্সন ৪৩ দি (৫)বু শীংনদুনা থাখিবা দরখাষ্ট অদুগী ৱারেপ্তি মহাক্না তাবা ফংখিদরে। সেক্সন অসিগী মখাদা কোর্টনা কেস অদুগী মরমদা করিগুম্বা অমফাওবা হংলুবা ঙমদে। ষ্টেটনা মরাল লৈতে হায়বদু য়াজগদবনি। অদুম ওইনমক কোর্টনা মহাকপুদি লন্নাই ওইনা লায়েংবা য়াহল্লম্মী। মহাক্না শিখিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ু এ পি এগী মরী লৈনবা আইনশিংগী মতাংদা জুদিসিয়ারিদা করিগুম্বা খরদি হংনরম্বা য়াই। ওপোজিসন লীদরশিংনা য়ু এ পি এবু লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙথাং অসিবুদি থাগৎনিংঙাইনি হায়রি।

অদুম ওইনমক, দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অসিদা য়ু এ পি এগুম্বা চৎনফম থোক্তে। দ্রাকোনিয়ন লো অসিমক লৌথোক্কদবনি। পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওপোজিসন লীদরশিং থোরক্তুনা লোইহলম লৈঙাক্না শীজিন্নরিবা য়ু এ পি এ অসিমক লৌথোকপদা পূন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়রি।

## ব্রিজকিশ্বরনা স্পোন্সর তৌদুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস):

লাইফ সেভর্স মণিপুরনা শিন্দুনা জেনিমসকী ব্লদ সেন্টর এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিটতা উরিপোক এ সীগী সোসল ৱার্কর লাইশ্রম ব্রিজ কিশ্বর এলায়জ বোইনা স্পোন্সর তৌদুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি কেম্প্যেনগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী কেম্প অদুদা পুন্না দোনর ১৫না ঈ কৎখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুগা মরি লৈননা সোসল ৱর্কর ব্রিজ কিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ পাকশন্না শন্দোরকপদগী ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লমদম অসিদা ঙসিসু লাইচৎ অসি অকিবা অমগী ফীভমদা লৈরি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা লাইফ সেভর মণিপুরগী মেম্বরশিংনা অসিগুম্বা কেম্প অমা শিন্দুনা পাঙথোরকপা থৌরম অসিদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা স্পোন্সর তৌবনি।

লাইফ সেভর মণিপুরগী বোর্দ ওফ ট্রষ্টিগী মেম্বর খুন্দ্রাকপম প্রেমজিৎনা থৌরম অদুগা মরি লৈননা হায়, হৌজিক ফাওবদা ঐহাক ঈ ৬৮ লোম পীখ্রে। লাইফ সেভর মণিপুরদা দোনর কয়ানা তাঙ্কক কয়া থোক্না তোঙান-তোঙানবা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ পীদুনা লাক্লি। হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ব্লদ বেঙ্কশিংদা দোনরশিংনা ঈ পীবগী চাং হন্থরকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা ঙসিগী ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি। ৱাখল্লোল অসি খঙবিরদুনা উরিপোক এ সীগী সোসল ৱার্কর লাইশ্রম ব্রিজকিশ্বরনা দোনরশিংনা চানবা পোৎলম কয়া স্পোন্সর তৌবিরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা উরিপোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুসনগী মনুংচন্না লৈবা নাগামপলদা লৈরিবা লাইনিংথৌ ঈশিং চাইবা হরাউবা শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অমদা সোসল ৱার্কর ব্রিজ কিশ্বরনা ভেক্সিন কাপ্পা লাকপা অমদি ভেক্সিন কাপ্পগী থবক তৌরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি ফেস মাস্কনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি হায়রি। লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা লাইচৎ অসিনা অচৌবা চৈথেং ফংলবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী চৎথরকিলবা থবকশিং অসি মখা তানসু অদুমক চৎথখিগনি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।